# য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী বোইজ সিঙ্গলতা মণিপুরগী শান্নরোই মৈস্নাম মৈরাবানা ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

চান্দিগরদা চথরক্লিবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী বোইজ সিঙ্গলস(অন্দর–১৯) গী কাংলুপ্তা শান্নবদা মণিপুরগী মৈস্নাম মৈরাবানা কেরলাগী রিকন জিওবু সিদেদ ২শুবা সিদেদ (২৩–২১, ১৬–২১, ২১–১৪) দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।


ফাইল ফোটো

বোইজ দবসলকী ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী মঞ্জিৎ সিংহ খ্বাইরকপম অমদি দিঙ্কু সিংহ কোন্থৌজমবু কৃষ্ণা প্রসাদ (অন্ধ্র প্রদেশ) অমদি দ্রুপ কপিলা (ইয়র ইন্দিয়া) গী মখুৎতা সেট ১৪–২১, ১৪–২১ দা মায়থিবা নঙখ্রে।

গার্লস দবলসকী ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী প্রিয়া দেবী কোনজেংবম অমদি প্রিথি কে (অন্ধ্র প্রদেশ)বু অদিটি বাট (উট্টরানচল) অমদি তানিসা ক্রাষ্টো (গৌৱা)গী মখুৎতা সেট ২২–২৪, ১৩–২১ দা মায়থিবা নঙখ্রে।

পনবা য়াবদি বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়াগদৌরি।

# আইসিসি চেম্পিয়ন্সিপকী অহুমশুবা ওদিআইদা ৱেষ্ট ইন্দিস ৱুমেন টিমনা সাউথ আফ্রিকা ৱুমেন টিমবু রন ১১৬তা মায়থিবা পীখ্রে

*বরবাদোস, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

বরবাদোসদা লৈবা কেনশিংতন ওভেলদা পাঙথোক্লিবা আইসিসি চেম্পিয়ন্সিপকী অহুমশুবা ওদিআইদা ৱেষ্ট ইন্দিজ ৱুমেন টিমনা সাউথ আফ্রিকা ৱুমেন টিমবু রন ১১৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা তোচ ঙমদুনা মেটচ অসিদা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৯৩ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী রনশিং অদু হেলি মেথিয়ুনা বোল ১৪৬ তা ফোর ১৭ য়ৈরগা রন ১১৭, কিসিয়া নাইটনা বোল ৬ তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫, ষ্টেফনি তেলর (কেপ্টেন) না বোল ৮০ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৭, দিন্দ্র দোট্টিননা বোল ৪৪ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ৩ য়ৈরগা রন ৫৯, সেমাইন কেম্পবেল্লেনা বোল ১২ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৪, চেদিন নেসননা বোল ১০ দা রন ১১, মেরিসা অগুলৈরা (ৱিকেট কিপর) না বোল ৪ দা রন ৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা সাউথ আফ্রিকা ৱুমেন টিম শান্নরোই –মেরিজানে কাপনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৫৫, মসাবাটা ক্লাসনা ওভর ৮ দা রন ৬২, তুমি সেখুখুনেনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১১, ক্লোই ত্রিয়োননা ওভর ১ দা রন ১১, দেন ভান নিখর্ক (কেপ্টেন) না ওভর ১০ দা রন ৫৪, রাইসিবে নাতোজাখেনা ওভর ১০ দা রন ৩৩, জিন্টলে মালিনা ওভর ১ দা রন ১১ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাউথ আফ্রিকা ৱুমেন টিমনা ওভর ৪২.৩ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৭৭ লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজনা রন ১১৬ তা মায়থিবা পীখি।

সাউথ আফ্রিকাগী রনশিং অদু লিজলে লি (ৱিকেট কিপর) না বোল ১০ দা রন ২, লৌরা ৱোলভার্দট না বোল ৮২ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫৪, সুনে লুসনা বোল ১৪ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪, দেন ভান নিখর্ক (কেপ্টেন) না বোল ১০৫ দা ফোর ১১ য়ৈরগা রন ৭৭, মিগনন দু প্রিজনা বোল ৭ তা রন ৫, ক্লোই ত্রিয়োননা বোল ৮ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫, মেরিজান কপ্পনা বোল ৩ দা রন ১, মসাবাটা ক্লাসনা বোল ৬তা রন ২, তুমি সেখুখুনেনা বোল ১৩ দা রন ৪, জিন্টলে মালিনা বোল ৩দা রন ০, রাইসিবে নটোজখেনা বোল ৫তা রন ৩ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজ ৱুমেন টিমগী বোল্লর শামিলিয়া কোন্নেলনা ওভর ৭তা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৭, শাকেরা সেলমাননা ওভর ৮দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৯, ষ্টাফনি তেলর (কেপ্টেন) না ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪১, দিন্দ্র দোট্টিননা ওভর ৯.৩ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৩৬ অমদি অফি ফ্লেটচরনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪২ পীখি।




# ৱুসুগী স্পিসিয়েল ট্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

হৌখিবা থা অসিগী ১দগী ইবেতোম্বী মেমোরিয়েল ৱুসু একাদেমী (আইএমদব্লিউএ) ইথাইনা শীন্দুনা চথরকপা ৱুসু মশান্নগী স্পিসিয়েল ট্রেনিং কেম্প একাদেমী অসিদা ঙসি লোইশিনখ্রে।



লোইশিনবগী পাঙথোকপা থৌরমদা কুম্বী এসেমব্লি কন্দষ্টিটুয়েন্সিগী এমএলএ এস বিরা সিংহ, একাদেমী গী ফাউন্দর এ বিরবাবু, ৱাঙু বোরায়াংবী জিলা পরিষদকী এক্স মেম্বর এ ব্রোজেন, লৈকায়গী অহলশিং পি চন্দ্রমানি মীতৈ, এস থানিনবা মৈতৈ, এস কুলাচন্দ্র, এস অঙাংহল, কে অমুয়াইমানা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এস বিরা সিংহ না হায়– লাইহাক্তক্তগী নুঙ লংবা মুক্না কাংজে কয়া শান্নখি। হৌজিকসু হৌজিক্কী মীরোলনা মখল মখা কয়া শান্নরি। শান্ননবা হায়বসিনা হকচাং ফনবা য়াম্না মরু ওইবা মরমনি। ৱুসু হায়বা মশান্না অসি মুক্না হৈবা মীওইদসু য়াম্না নুংঙাইবা চান্নবা মশান্ননি। অদুনা ঐখোয়গী মীওইশিংসি ৱুসু মশান্নসিদা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াদুনা মেডল কয়াসু লৌরকপা ঙমখ্রে। অদুনা মতুংদসু ৱুসু মশান্নগী ট্রেনিং সেন্টর অমা লৈবসিনা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।

ট্রেনিং কেম্প অদুদা মণিপুরগী তোঙানবা মফম কয়াদগী ৱুসু শান্নরোই নুপা –নুপী পুন্না মীওই ৪২ না শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা একাদেমী অসিগী শান্নরোইশিংগী ৱুসুগী ফ্রেন্দলি বোট, কলচরেল দান্স কয়াসু উৎখি।

পনবা য়াবদি চথরকখিবা ট্রেনিং কেম্প অসিদা মাষ্টর অথোকপম শ্যামচন্দ সিংহ ব্লেক বেল্ট ৫ দান লোয়ননা ফাউন্দর ইবেতোম্বী মেমোরিয়েল ৱুসু একাদেমী ইথাইনা তাকপী–তম্বীখি। অদুগা মহাক ১৯৮০ দগী হৌনা গ্রান্দ মাষ্টর এল আর চহুঙগা ব্লেক বেল্ট অহুমশুবা দান রিজন, বর্মাগী মখাদা ৱুসু শান্নরকখিবা মীওইনি হায়রি।

# ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ারুবী মণিপুরগী শান্নরোই সোনিয়া অমসুং সরজু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী কোন্নুং জাকর্টাদা চহিসিদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবী মোইরাংদগী কেনোৱিং এন্দ কয়াকিংগী শান্নরোই সোনিয়া অমদি সরজু ওকপগী থৌরম অমা মোদি ভাবন মোইরাংদা কেন্দ্রসিগী এমএলএ পি সরতচন্দ্র সিংহ গী লিচিং মখাদা এমএলএ ওফিস মোইরাংনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।




থৌরমদুদা এমএলএ মোইরাং এসেমব্লি কন্সষ্টিটুন্সি লোয়ননা গভর্নমেন্ট চিফ হুইপ পি সরতচন্দ্র সিংহ, বিজেপি মোইরাং মন্দলগী প্রসিদেন্ট অবদুল হমিদ, মোইরাং মুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলর এন ইবোমচা, নোমিনেটেদ কাউন্সিল্লর কে শ্যাম সিংহ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কেনোৱিং এন্দ কয়াকিংগী এক্স প্রসিদেন্ট ঐচ সোবা সিংহ না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টিটি টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন না শীন্দুনা নুমিৎ মরিনি চুপ্না থৌবাল ৱাংমতাবা কলেজ রোদতা লৈবা টিদিটিটিএ গী ইন্দোর হোলদা চথরকখিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি মেন্স সিঙ্গলস ফাইনেল কেদেট বোইজ সিঙ্গল ফাইনেল অমদি য়ুঠ গার্লস ফাইনেলগী মেটচশিং শান্নদুনা লোইশিনখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মেন্স সিঙ্গলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে রোহিটনা কেঐচ বান্তকুমারী ইম্ফাল ৱেষ্টবু সেট ৪–৩ দা থোয়দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গল টাইটল লৌখি।

থৌবালগী ঐচ সেনেরিতানা ঐচ য়াইফাবী থৌবালবু সেট ৪–২ দা থোয়দুনা য়ুঠ গার্লস সিঙ্গলগী টাইটল লৌখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী কেএসঐচ লেকেন্দ্রোনা থৌবালগী এল লমজিংববু সেট ৩–২ দা থোয়দুনা কেদেদ বোইজ সিঙ্গলগী টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাবগাই কেন্দ্র গী এমএলএ এমদি ফজুর রহিম, খাংঙবোক কেন্দ্র গী এমএলএ ও সুরজকুমার, তেংনৌপল কেন্দ্র গী এমএলএ দি করুংথাং, এমটিটিএ গী প্রসিদেন্ট রিতয়ার্দ আইএএস দেবসেখর শর্ম্মা, টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং চিয়রমেন ওক্রম ইবোপীশক, টিদিটিটিএ গী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা একে নোরেন্দ্র,ঐচ গম্ভির অমদি এল ইবোচৌনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তারবা শান্নরোইশিংবু মনা–মথুমশিং য়েন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপামচা শান্নরোই ১২৮ অমদি নুপীমচা ৬২ পুন্না শান্নরোই ১৯০ না কেদেট, সব–জুনিয়র, জুনিয়র, য়ুঠ অমদি সেনিয়র ইভেন্টশিংদা নুপা অমদি নুপী অনিমক্কী ওইনা সিঙ্গল অমসুং দবলসগী ইভেন্টশিংদা চাংদম্নখি।

# অসাম রাইফলনা শীন্দুনা ভোল্লিবোল মেটচ পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

হেদ ক্বার্টর আইজিএআর (সাউথ) কী মখাদা ২৬শুবা সেক্টর অসাম রাইফল তেংনৌপল বাট্টালিয়ন না শীন্দুনা সাইবোল ভিলেজতা ভোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে।

ভোল্লিবোল ফ্রেন্দলি মেটচ অসি ৱার্ল্ড পিস দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি।

মেটচ অসিদা সাইবোল, য়াংখুল, সাইশম, মোইরেংথেল, নারুম অমদি সাইবোল কম্পেনিগী ক্রুপশিংসু শরুক য়াখি।

# ট্রেক্ট এসিয়া কপতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৬ লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ঃ*

ন্যু দিল্লিনা য়ুম্থু ওইদুনা ফজনা পাঙথোকখিবা ট্রেক্ট এসিয়া কপতা ইন্দিয়াগী সাইক্লিষ্টশিংনা গোল্ড ৬, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফঙখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ২০০ গী জুনিয়র মেন্স স্প্রিন্টতা ইন্দিয়াগী ইসো অলবেলনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা কাজর্ষ্টানগী দিমিত্রি রেজোনোবনা সিলভর ফঙখি।

জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ২০০ গী স্প্রিন্ট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মায়ুরি লুতেনা ১২.২৬৩ সেকেন্দা থৌদুনা গোল্ড মেডল ফঙখি।

অদুগা সিলভর মেডলনা থাইলেন্দগী সাইক্লিষ্ট কানিয়ারাল নোক্বাওনা ১২.৮৭১ সেকেন্দা সিলভর ফঙখি। ব্রোঞ্জ মেডলনা কাজর্ষ্টনাগী এলিয়োনা অব্রামচোকনা লৌখি।

নুপীগী ইলাইট কৈরিন ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়াখিবী সোনালি চনু ব্রোঞ্জ মেডল ফঙগদবা খজিক্তমক ঙাইহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সাইক্লিষ্ট নুপীগী মিটর ২০০ গী ইভেন্ট অদুদা ৬শুবা পোজিসন তাহৌখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দোনেসিয়ানা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফঙলগা ২শুবা পোজিসন তাখি।

## Premier League Table 2018-19

| Pos | Club | P | W | D | L | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Liverpool | 6 | 6 | 0 | 0 | 12 | 18 |
| 2 | Man City | 6 | 5 | 1 | 0 | 16 | 16 |
| 3 | Chelsea | 6 | 5 | 1 | 0 | 10 | 16 |
| 4 | Watford | 6 | 4 | 1 | 1 | 5 | 13 |
| 5 | Tottenham | 6 | 4 | 0 | 2 | 5 | 12 |
| 6 | Man Utd | 6 | 3 | 1 | 2 | 0 | 10 |
| 7 | Bournemouth | 6 | 3 | 1 | 2 | -1 | 10 |
| 8 | Leicester | 6 | 3 | 0 | 3 | 1 | 9 |
| 9 | Arsenal | 5 | 3 | 0 | 2 | 1 | 9 |
| 10 | Wolverhampton Wanderers | 6 | 2 | 3 | 1 | 0 | 9 |
| 11 | Crystal Palace | 6 | 2 | 1 | 3 | -2 | 7 |
| 12 | Everton | 5 | 1 | 3 | 1 | -1 | 6 |
| 13 | Brighton & Hove Albion | 6 | 1 | 2 | 3 | -3 | 5 |
| 14 | Southampton | 6 | 1 | 2 | 3 | -3 | 5 |
| 15 | Fulham | 6 | 1 | 2 | 3 | -5 | 5 |
| 16 | Burnley | 6 | 1 | 1 | 4 | -3 | 4 |
| 17 | West Ham | 6 | 1 | 1 | 4 | -6 | 4 |
| 18 | Newcastle | 6 | 0 | 2 | 4 | -4 | 2 |
| 19 | Cardiff City | 6 | 0 | 2 | 4 | -11 | 2 |
| 20 | Huddersfield Town | 6 | 0 | 2 | 4 | -11 | 2 |




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*